ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯰꯳, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯸꯸ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, ওক্টোবর ০৩, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ১৮৮শুবা মশীং

## মরক্কী মীখল অমসুং কোভিদ-১৯

### লোকল ট্রান্সমিসনগী চাং কা হেন্না হেনগৎলকপা য়াবনা চেকশিনসি

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই)না সেপ্টেম্বর ২৯দা লিলোং এ সী অমসুং ৱাংজিং-তেন্থা এ সীগী মরক্কী মীখল চহী অসিগী নবেম্বর ৭তা পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে। লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংগী এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি ৫৬ অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সি অমগী মরক্কী মীখল পাঙথোক্লনবা মতম লাউথোরকপদা মণিপুরগী লিলোং অমসুং ৱাংজিং-তেন্থা এ সীসু য়াওরকখিবনি। এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি ৫৬ অদুদি সটিসগরগী ১, গুজরাতকী ৮, হরিয়ানাগী ১, ঝরখন্দগী ২, কর্নাটাকাগী ২, মধ্য প্রদেশকী ২৮, মণিপুরগী ২, নাগালেন্দগী ২, উদিষাগী ২, তেলঙ্গনাগী ১ অমসুং উত্তর প্রদেশকী ৭ নি। অদুগা পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সি অদুনা বালমিকি নগর কনষ্টিট্যুএন্সিনি। মণিপুরগী এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি অনীগী পাঙথোক্কদৌরিবা মরক্কী মীখল অসিগী নোটিফিকেসন্না লাক্লিবা ওক্টোবর ১৩ দা থোক্কনি। মীখল অসিদা মীরেপ ওইগদবশিংনা নোমিনেসন ফাইল তৌবগী অরোইবা মতমনা ওক্টোবর ২০ নি। নোমিনেসন তৌরক্লবশিংগী স্ক্রুটিনিনা ওক্টোবর ২১ দা পাঙথোক্কনি। অদুগা মীরেপ চে ৱিদ্রো তৌবগী অরোইবা নুমীৎনা ওক্টোবর ২৩ ওইগনি অমসুং ভোট মশিং থিবনা নবেম্বর ১০ দা থিগনি। লোয়ননা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি অনী অসি লৈরিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুন্সদা মীখলগী কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনবা হৌরে হায়নসু মণিপুরগী জোইন্ট চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসরনা লাউথোকখ্রবনি। অদুগা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী হাংদুনা লৈরিবা সিটশিংগী মনুংদা য়াওরিবা এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি খরগীসু লিলোং এ সী অমসুং ৱাংজিং-তেন্থা এ সীগী মরক্কী মীখল পাঙথোক্কদবা মতম অসিদা পুন্না পাঙথোকপীয়ু হায়না ৱাকৎ চেরোল মরী লৈনবশিংদা পীশিন্নখিবসু য়াওরি। মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী হৌজিক-হৌজিক হাংদুনা লৈরিবা সিট অসি ১৩ নি। এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিশিং অদুদি অন্দ্রো, নাওরিয়া পাখংলাকপা, ৱাঙ্গৈই, লিলোং, ৱাংজিং-তেন্থা, ককচিং, ৱাংখৈ, লম্লাই, তমেংলোং, হেংলেপ, সিংহাট, সাইতু অমসুং কুম্বীনি। অন্দ্রো, কুম্বী, ককচিং অমসুং লম্লাইগীদি এম এল এ দিসক্কালিফাই তৌখিবদগী সিট হাংবনি। অদুগা অতোপ্পা এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি ৯গীনা এম এল এ ওইরম্বশিং রিজাইন তৌখিবদগী হাংবনি। মরক্কী মীখল অসি ৱাঙ্গৈই, লিলোং, সাইতু, সিংহাট অমসুং ৱাংজিং-তেন্থাগীদি শোয়দনা পাঙথোক্কনি হায়না হান্নদগী পান্নদুনা লাকপনি। অদুবু ঈ সী আইনা লাউথোরকপদদি লিলোং অমসুং ৱাংজিং-তেন্থা এ সী খক্কী মরক্কী মীখল পাঙথোক্কনি হায়না লাউথোরকখিবনি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননসু হাংদুনা লৈরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী সিটশিং অসিগী মনুংদা য়ামদ্রবদা এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি ৮গীদি মরক্কী মীখল পাঙথোকপীনবা ঈ সী আইদা অইবা চেরোল থাদুনা আপিল তৌরগনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রবনি।

মরক্কী মীখল অসি ষ্টেট অসিদা হৌজিক হৌজিক লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মরক্তা পাঙথোক্কদৌরিবনি। মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং অমদি পোলিটিকেল পার্টি খরনদি মরক্কী মীখল অসি কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিগী য়েংলগা মতম খরা য়ৈথোকপীয়ু অমদি লাইচৎ মরক অসিদা মরক্কী মীখল পাঙথোকপা অসি মতাং মতম চাদে হায়না ফোঙদোক্লখিবা লৈখ্রবনি। মণিপুরগী ওইনা চহী অসিগী মার্চ ২৪দা কোভিদ-১৯গী অহানবা কেস থেংনখি। থা অসিমক্তদা অতোপ্পদা কেস অমত্তা থেংনখিদে। এপ্রিল ২দা অমুক মণিপুরগী অনীশুবা কেস থেংনখি। অদুগা মে ১৪দা অহুমশুবা কেস থেংনখি। মে থা লোইশিল্লকপা ফাওবদা মণিপুরদা কেস ৭১ খক থেংনখি। অদুবু জুন থাদা মীওই লীশিং অমরোম পোজিটিব ওইবা থেংনদুনা থা অসি লোইশিল্লকপদা মণিপুরগী অপুনবা কেস ১২৩৪ য়ৌখি। জুলাই থাদসু মীওই লিশিং অমরোম পোজিটিব ওইবা থেংনখিবগা লোয়ননা থা অসি লোইশিল্লকপদা অপুনবা কেস মশিং ২৬২১ য়ৌখি। অদুগা ওগষ্ট থাদদি লোকল ট্রান্সমিসন লাকখিবগা লোয়ননা পোজিটিব ওইবা মীশিং খংহেন হেনগৎলক্তুনা থা অসিখক্তদা মীওই ৩৫০০ রোম পোজিটিব ওইবা থেংনদুনা অপুনবা কেস মশিং ৬২৫২ য়ৌরকখি। ফিভম অসিদগী মীয়াম্না ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসি কম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী থাক্তা লাক্লে হায়না অখঙ অহৈ কয়ানসু ফোঙদোক্লরকখি। হৌখিবা সেপ্টেম্বর থা অসিদা পুন্না মীওই ৪৫০০ হেন্না পোজিটিব ওইবা থেংনখিবগা লোয়ননা অপুনবা কেস মশিং ১০,৯৮২ য়ৌখি। অদুগা ওক্টোবর ২ ফাওবদনা কেস মশিং ১১,৩৯৭ য়ৌখ্রে। মরক্কী মীখল অসিগা মরী লৈননা কেম্প্যেন চৎথনরকপদা লৈঙাক্ল লাউথোক্লিবা এস ও পিশিং অসি নীংথিনা ঙাক্লক্কনি হায়বগী থাজবসু লৈতে। মীখলদা মায় পাক্লবগীদমক মীরেপ ওইগদৌরিবশিংনা অঙম-অঙম্বা থাক্তা কেম্প্যেন চৎথনরক্কনি। লাইশোন-তীনশোনগা মরী লৈনবা তঙাইফদবা থৌরম ফাওবদা মী য়াম্না তীনবা য়াদে হায়রিবনি। অদুবু মীখল অসিগা মরী লৈননা মীয়াম তীল্লকপা মতমদদি কনানা মতৌ করম্না য়েংশিনগদৌরি। মরক্কী মীখল পাঙথোক্লনবা থৌরাংলকপা মতম অসিদা লায়না-লাইচৎ অসি লোকল ট্রান্সমিসন তৌবগী চাং হেনগৎলকপা য়াবনা পুন্নমক্লা চেকশিনসি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩

১। লমদম অসিগী শক্লাইরবা কবি অমগী অফাওবা শৈরেং অমদগী লৌথোরকপা পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তা য়াওবা, করি শৈরেংদগীনো হায়য়ু।

“নুংশি-খোঙফম অহানবা পাম্মু নঙ্গী কাদনি;
নুংশি-শৈশক অহানবা পাম্মু নঙ্গী নাদনি..
চীঙ্গী খোইমু শাহুল তম নুংশি-কাইহৌ শৈরেং লেং,
হেম্মোইনজ মুনা য়েং হেদৌনজ চিংনা য়েং,
নাপ্পচীক্ল নঙ্গী কা শক্লম্লেদো কয়া ঙং,
নুংশি-খুদোল ফংবরা লৈশিল লৈশিল লৈখোং শঙ!
নোংচুপ চীঙ্গী কোরৌ ওই খূনীং মোইদোন কাঙন কাঙ
খাঙলম্লেদো কয়াম্ম নুংশি, নঙ্গী খরায় লাং!”

২। “মদন কাম অমসুং চিন্তামনি স্বয়ম্বর” হায়বা ফাওরবা লাইরিকসি মণিপুরীদা গোকুলানন্দ সিংহনা হন্দোকপনি। চীন্থাং ৱারীদগী লাইরিক ওইনা ইথোকখিবা অইবদু কনানো অমদি করি লমগী ৱারীশিংদা য়ূম্ফম ওইবা লাইরিকনো?

৩। মাহাত্মা গান্ধীগী ওটোবাইওগ্রাফিদু মণিপুরীদা ইহান হান্না কনানা করি মমিং হায়না থোন্দুনা হন্দোকখিবগে?


৪) মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা সাহিত্যগী লম্দা পীবা “যামিনি শুণ্ডর গুহ গোল্ড মেদল” অসি য়াম্না লীরবা অমসুং ইকাইখুম্ননিংঙাই ওইবা মনানি। মনা অসি ইহান হান্না কনানা ফংখিবগে?

৫) এলাংবম নীলকান্ত সিংহগী মমিং চৎলবা শৈরেং “নিংথৌখোংগী চন্দ্রশখি” হায়বসি অফাওবা কবি অমগী মমিং য়াম্না চৎপা শৈরেং অমনা ঈথিল পীবনি হায়না অখঙ অহৈশিংনা হায়নবা শৈরেংদু করিনো? কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## করিক্যুলমদা মীনুংশি...

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



মপানা খোঙনম চাউনা পোমখৎলগা ফমুংদা হিপ্তুনা অনাবা খাঙই। মচানুপাগা-মমৌগা, মশুশিংগনা চাকখুমদা ৱা-ৱা নোক্তুনা চিকন ঙৌদুনা, থোংদুনা চারি। নুমিদাংৱাইরমদা মচা, মমৌ, মশু ময়াম অদু হৌনদুনা পার্কতা, ঈশিং চাইবীদা কার তোংদুনা কোয়বা অমুক চৎখিনি।

ইমুং অমদনা মনেম-মকু অদু মমৌ নুপীনা মতম চানা চাক-ঈশিং থোংদুনা পীজনীংলোই। পীজরসু লাক্তুনা লংশিল্লি। মনেম-মকু অসি য়েক্লবদৌনা খনগনি। মনেম-মকুনা শোনজিল্লকপগী মকোক মরূ ইফা-ফানা কিদনিগী, দাইবেটিসকী, লংসকী, টি বিগী লায়না নাদুনা লৈনি, হন্না য়েংনীংলোই।

মফম অমদনা অমুক নুপীজা কয়া রেপ তৌদুনা হাৎপগী পাউ পাউচেদা য়াওরক্কনি। নুপী কয়া রেপনা মরম ওইরগা শিখ্রে। মদুগী অচুম্বা ৱায়েল ঙসি ফাওবা ফংবা ঙমদ্রে, রেপ হায়বা অসি নুংশিৎতগী হেন্না কূংলে। মফম খরদনা অনাবা মীশক কয়া ডোক্টরনা লায়েংবীদ্রে, অনাবগী মরী-মতাগা ডোক্টরগা ফূনরে, চৈনরে হায়বা থৌদোক্লা নোংমা কাংদ্রে হায়বা য়াই।

নাকল অমদনা হূই অহিংবা অদু থৌরি থুরগা বাইকতা পুল্লগা লমজাউ সরক্তা চিংলগা চৎলে হায়না ৱাথোক থোক্লরি। ঙাইহাক লৈতনা শা-ঙা, জীব কয়া মীনুংশি লৈতনা হাৎপীবগী পাউ তারি।

খরদনা পোলিটিক্স তৌবা কাঙবুশিং চোঙথোক-চোঙশিন নৎত্রগা চোঙলিব্রা-চোঙদ্রিবরা করিনো মফম মরাং অমত্তা মীয়াম্না খঙনদ্রে। ঙসিনা অমা হায়, হয়েংনা অমা হায় অওইবা অমত্তা তাবা ফংলক্তরে।

নাকল অমদনা লৈবাক্কী শেল হাইহৎখ্রে, খূৎশুমল হাইহৎলে, চেঙ য়েম্থোক্ত্রে, চেঙ ৱাৎনা য়েল্লে অসিনচিংবা কয়া তারি। ট্যুসন ফী, মিংজল শেল হেঞ্জিন্না লৌরে, পোৎকী মমল হেন্না য়োল্লে অসিনচিংবা ৱাফম কয়া তারি। মথক্তা পঞ্জখ্রিবা ময়াম অসি করি মরমদগী ওইরজাৎনো হায়না ঐনা হন্দক নৈনদুনা শান্নে। মরম খঙই।

মসি পূম্বা এদ্যুকেসন ৱাৎপনা ওই লৈরম্মে। এদ্যুকেসন হায়সি করিনো? প্লেটোনা, এরিষ্টোটলনা, সোক্রটিজনা (সোক্রেটিস হায়বা নত্তে), গান্ধীনা, রধাকৃষ্ণনন্না, জোন দ্যুৱিনা, হোর্ননা, লেংডেলনা হায়রম্বা অদুদি য়াম লুখ্রে, অর্থ হনফমসু খঙদ্রে, লুমন্দুনা কান্নফম খঙদ্রে। ইচম চম্না এদ্যুকেসন হায়দি হৈহনবা হায়বনি, হৈহনববু এদ্যুকেসন নত্তনা করিনা এদ্যুকেসন ওইনি হায়গে। মী শিবা নাই। নারগা নৎত্রগা হনুরগা শি। অহৈবা ময়াম অদুনা শিদ্রিঙৈ হৈত্রিবা ময়াম্না তমহৌবা তাই। হৈহৌদৌরিবা, তমহৌদৌরিবা অসি করি-করি পোৎনো হায়বগী মতাংদা অহৈ-অশিং ময়ামগী মকোক চিংখিবা নুপা অমা লৈ। মাগী মমিং বেঞ্জামিন ব্লুম কৌই। মানা ব্লুম’স টেক্সোনোমি হায়বা অঙাংনা তমগদবা পান্দম অহুম থোক্লা খাইদোকই - তমদৌরিসি ১) লৌশিং (Cognitive Domain হায়দি Knowledge) কোক্কী থবক ২) পূক্নিং থম্মোয়গী ৱাফম (Affective Domain, emotion) অদুগা থবক (Psycho-motor domain), action গী পোৎ হায়বা পোৎশক অহুমসিনি হায়। অরাইবী লোন্দাদা অঙাংনা তমদৌরিসি লৌশিং, থবক অমদি পূক্নিং-ইহুল হায়দি মীনুংশি অসিনচিংবা।

হৌজিক্তি লাইরিক তম্বদা খ্বাইদগী দরকার ওইরিসি হার্টকী থবক, মীনুংশি, মতেং পাংবা, ওইদবা ঙাঙবা ফত্তে হায়বা, হুরানবা, শেল চাবা ফত্তে হায়বা, ইমা-ইপা অনাবা অহল ওইরবা নুংশিগদবনি হায়বা, শা-ঙা জীব নুংশিগদবনি হায়বা ময়াম অসিমসু লাইরিক তম্বদা য়াম্না দরকার লৈরে। হনুরকান্দা মীনুংশি তম্বীবা ওইথোক্তে, মীনুংশিদি অঙাং ওইরিঙৈ তমহৌগদবনি।

ঙসিদগী চহী ৩০গী মতুংদা মমা-মপা ওইবা ঐখোয় ময়াম নারকান্দা ইচানা হোস্পিটালদা পুখৎপীনীংলরোই, হীদাক লৈদুনা পীজনীংলরোই। ঐখোয়গী এদ্যুকেসন্দা মীনুংশিগী পাড়া য়াওদ্রে। মার্ক য়াম্না ফংলগা থবক ফংলগা নুপী মশক ফজবা থিরগা য়ূম ফজবদা নুংঙাইনা লৈরগা কোয়বা চৎনবা, অঙ্ক হৈবা, সাইন্স হৈবা, চিনফা পুবদা লৈখ্রে। মীনুংশি তম্বীসে। ●

## অনী থোকপীগী অপূনবা শক্তম অমা

**নবকুমার ওইনা**

মতমসিদা হিংবা ৱাবগী চৈনা ফংনরিবা মরকসিদা মালেম অসিমক ওই-ওইনবা মীসু অদুম য়াওবজাৎনি। অনী থোকপী মরকসিদা য়ুনিটিগী ৱা য়াম্না ঙাঙনবসি তাবদা চোকথবা অমা ফাওরক্লে। ঙাঙনরিবশিংগীদি চোকথবা লৈবা নৎত্রি। লীলা ফজবা, ঈশৈ ফজবা তাদ্রবসু য়াবা মীয়াম অমসু লৈরিবনি। ঈশৈ শকপশিংগী, লীলা হৈবশিংগী নাপলদু মখোয়দদি করিসু নত্তে। শৈশকপশিংনা মদুবু খঙজরমগদ্রা?

ইরাবত-ইরাবত, ইরাবত খঙদবা মীসু পঙহিং হিংলিবা ময়ামনি। ইরাবতকী লীলা, ইরাবতকী ঈশৈনা মখোয়দা করিসু হায়রুবা ঙম্বা নত্তে। হোং কোংনা মাওশেতুং ঙাইখিবা নত্তে। লাই-লাই হায়গনি, লাইদুনা থুপখ্রবা মতুংদদি পন্দিটকী ৱা ঙাক্তা ওইরম্মী। লাইনা হায়রম্বগুম্না ইরাবতনা হায়রম্বদু ঙসিসু চানখিগদ্রা, ৱাখল খনবগী মওংদু ৱায়রগা হৌজিক-হৌজিক্কী ৱাফমশিংদা ঙসিগী মীয়ামসিনা খন্নগদৌবা ওইরমগনি। তৌগদৌবদি তৌদবা, খন্নগদৌবদি খন্থদবা, ৱারী ওইনা, ঈশৈ ওইনা লৈবাক নীংবশিংগা ইরাবতকদি অদুম খেন্নগনি খল্লি। মানা অদু হায়রম্মী, মানা অদুম্না তৌরম্মী হায়দুনা ৱারী লীরিবশিংসু ৱারীগী মীংচৎ পাল্লকপা হায়বা তারে। থবক্তি শুংয়াও য়াওনদবনি।

লৌমী-লৌমী হায়গনি। লৌমীদি খুঙ্গংদা লৈবনি। খুঙ্গং-ইম্ফাল খায়গনি, অদুগা পুল্লসিসু হায়গনি। অনী থোকপীগী অহানবদি খুঙ্গং-ইম্ফাল খায়বসিনি খল্লি। কনানা খাইদোকই, অদুম খঙনবা ৱানি; লম্না নত্তে হায়বা ঙাঙনবা তারবনি। মীনা ওইবা তারিব্রা? মীনা নত্তে হায়বদি কনানা ওইবা, ৱা ওইনা ঙাঙনবদা য়াওনদ্রিবনা করিগীনো? মীনা নত্তে, শাজৎননি; শাজৎনা নত্তে ৱাখল্লোননি। খুঙ্গং-ইম্ফাল অনীদা লৈবা য়াবদি মরৈবাক নীংবশিংনি। লায়রবা মীশিংসু খুঙ্গং-ইম্ফাল অনীমক্তা লৈরবনি। খুঙ্গংদসু শেল পায়বা মী য়াম্না লৈরবনি, থবক কন্না শূরগসু শেল পায়বা য়াই হায়বা খঙনরবনি। খঙগনবা-খঙগন্দবা অনী লৈরিবনি। থবক শূগনবা-শূগন্দবা হায়নসু খাইদোকপা য়ারিবনি। অখঙবা শাবসু ময়ামনি। মখোয়না শোয়হল্লিবসু ময়ামনি। ইরাবতপু অমাংবা ওইনা ইন্থোক্লম্মীবনি, মীবু অমাংবা-অশেংবা অনী থোক্লা খাইদোক্লিবনি। ঙসি ফাওবা চৎনরিবনি।

ইরাবত য়াবা অমসুং য়াদবা অনী থোক্লম্মীবনি। তুংইনবশিং কোয়চেন চেল্লগা হিংলকখিবনি। থাজবা অমসুং থাজদবা হায়নসু অনী থোক্লা য়েংবা য়ারিবনি। মরৈবাক্তগী তান্থোকপা হায়বসি লৈঙাক পায়বশিংনা য়াখিদে হায়বনি। ঙসিনা লৈঙাক য়াওরকপসিসু ৱাখলদা অনী থোক্লি। তৌশিন্নরিব্রা করি ওইনা য়াওশিল্লক্লিবনো, ইরাবতকী তুং ইনবশিংদি অদুম হাৎলিবনি। হিংলগনা হাৎপা, শিরগনা থাগৎপা মীসু মখল অনী থোক্লি। লৈখিদ্রবা লুচিংবশিংনা করি কান্নরি, থবক্তি হিংলিবশিংনা তৌগদৌবনিনা। থবক্তি য়াওদনা মফৈ ফুরগা লৈবাক নীংবসু কয়ানি। লৈবাক নীংবসু অমুক অনী থোক্লিবনি। মিনিষ্টর ওইবা পাম্বা, ওইদ্রগনা এম এল এ থাদোকপা, ইরাবত মানবা য়াওখৎলকইবনি। মানবগী ৱাতনি, অশেংবা ওইবা ঙম্বা কনাসু লৈত্রিসিনি। থাগৎপা য়াওবা-য়াওদবা অনী অমুক থোক্লি। থাগৎলিবদুসু মপুক শেংবা, শেংদবা অনী থোকই। থাগৎপা য়াওদবশিংদসু অনী থোক্লি, ইরাবত মুন্না খঙবা অমসুং শুকখঙ খঙদবা য়াওরিবনি। ঙরাং-নহান্তা চঙলকপশিংনা কমদৌনা খঙগনি। চঙশিল্লকপদি লেপ্পা নত্তে। ইরাবতসি মখোয়গী ওইহৌব্রা খঙবা নৎত্রি। ইরাবত খঙবসি মখোয়না হেল্লম্বসু য়ারি।

মিঠাই উম্লগা মহি য়োৎপা হৈতবা, মতিন ওরো-ওরো তাবা অঙাংসু য়াওরিবনি। ইরাবত উম্লগা শায়বা মীসু লৈরবনি হায়নরিবনি। ইরাবত্তং পনবদা ফৌ শংবাই অমা নিরুবদা পীবা ইপু তোম্বা হায়বা অমসু লৈরম্মী। ইরাবত্তু মখোয়দসু লৈরম্মী হায়। চহী চাম্মা ইরাবত ঙাঙনদুনা লৈরক্লবনি করি য়োৎথনা খনবা ঙম্নরবগে? করি তৌগদৌরিবনো? খঙবসু লৈগনি, খঙদবসু লৈগনি, অনী অদুম থোক্কনি।

লাইরিক তম্নরিবসি খঙবা ঙম্নবনি হায়নবনি। পূম্নমক খঙবা হায়বদুমা অৱাবা অমনি। ইরাবত ফাওবা খঙবা ঙম্নদবগী ঙসি ফাওবা ৱারী লীনরিবা অসিনি। খঙববু ঙম্নদ্রিবনি। নিখিল হিন্দু মহাসভা হায়বদু নিখিল মণিপুরী মহাসভা হায়বসিদা ওনবদুবু মতমদুগী চীংমী ময়ামদু খঙখিব্রা, য়াওখিব্রা। হিন্দুদগী মণিপুরী ওল্লিবসিগী মরমদুবু ময়াম্না খঙনখ্রবরা? ইরাবতনদি করি খনবগীনো, মণিপুর কৌবসি মহাক্লা অদুমক য়ারম্বরা? ইরাবতনা হোৎনরম্মীবসি মণিপুর অদুমক কৌনবা পোক্লম্বরা? হৌজিক্লা মণিপুরী কৌনীংবশিংগী আইকোন ওইনা ইরাবত শীজিন্নবা য়াওরবরা? কম্যুনিজম চাওখৎনবা হোৎনবদা ইরাবতকী মমিং শীজিন্নরি হায়বদি য়ানগনি। লমদম অমগী পোলিটিকেল পার্টি অমগীদমক পোক্লম্বনি হায়বদি হায়নদেনে। মণিপুরীশিংগীদমক পোক্লম্বনি হায়বসু ফজদবনি। মণিপুরীশিংতগী ইরাবত নত্তে হায়বসি হৌজিক্তা ঙাঙনরক্লিবনি। ইরাবত নুংশিবা-পামজবা, ইরাবতকদি য়াম্না লাপ্লবা মী য়াম্না উখৎলক্লিবনি। শেল চাবশিংনা ইরাবতকী ৱা ঙাঙবা য়াওরিবসি ইরাবত খঙবশিংনা য়াম্না নোক্নিংগনি। লৌমী-শিন্মীগী শেল হাৎলিবা মীদুনা ইরাবতকী মীতম শাবদবু শেল চারমগদ্রনে? রিপব্লিক দেগী গেট শাবদা শেল চাবা য়াওরবদি রিপব্লিক কৌবা য়াদ্রি। লাইরিক তম্লগা, মহৈ হৈরগা ইরাবত মাল্লক্কনি হায়বদি লৈতেদা। মহৈ তম্নিংবসু লৈ, তম্নিংদবসু লৈ; য়ূম পান্নীংবা নুপীসু লৈ, পান্নীংদবী নুপীসু লৈরে। ইরাবত খঙনীংবসু লৈ, খঙনীংদবসু লৈ। লাইরিক ফজনা তমদ্রবসু ইরাবাত নুংশিজবা মী য়াম্না লৈ, লাইরিক তম্নীংদবগী ময়ূম ঙন্না পানখিবসু কয়ানি। মরৈবাক নুংশিবদি লাইরিক তম্বা-তমদবা হায়বা লৈতে। শেল তানগনি খঙবা-খঙদবা, হৈ-রা থাগনি খঙবা-খঙদবা, লৌ উগনি খঙবা, খঙদবা ব্লেক মার্কেট হৈরগা শেল তানবসু কয়ানি। লৈবাক্কী ওইনা কান্নবা-কান্নদবা ইশা-ইশাগী কান্নবা য়েংলগা লৈবাক নীংবসু য়াওখৎনরক্লিবনি। লৈবাক্কীনি, লৈকায়গীনি হায়বদগী লম্পাক মুন্নবদা হাৎনবা য়াওরক্লিসিনি। (ক্যামপোক লমজাওনা পীথোকখ্রিবনি)। লৈবাক্কী খঙদে, মানা-মানা নীংবা পংতৌদা তৌনবা মাল্লকপদুনি। লমদম অসিদগী লমচৎ-শাজৎশিং অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপা ঙম্বা য়াওরক্কনি হায়বদি থাজদে। মিনিষ্টর ওইবগা-ওইদবগবু করি খেন্নরিবগে, মুন্নরিবনা করিগী ওইগদৌরি। লৈবাক অসিদদি নিংথৌ শারগা মুৎকদৌগী শরুক মনাই শারগা ৱাত্ত-পাদনা হিংবনা ফবনি। শাগৈ-জাৎ ৱাংবনি হায়জরগা মুৎপসু য়াওজরিবনি। লাই অনী লাৎকনি, অচুম্বা শারগদুম লৈগনি। লৈঙাকসু অনী শুই হায়রিসিনি, অদুসু ’দুম চুম্বা মাল্লিবসিনি। মসিবু ইরাবতনা য়াগদ্রা নৎত্রগা মানা হৌদোক্লম্বনি হায়গদৌরিব্রা? ইরাবত খঙবা খঙদবা খঙদে, থাগৎপা অদুম য়াওরিবনি, থবক্লা য়াদবা ঙাক্তা তৌরিবনি।

জগোয়-ঈশৈশিংসু শেমদোকপা তারক্লি, লৌখাও ঈশৈদু মেছিন য়াওবা তারক্লি। লৌমী-লৌমী হায়বগী ৱানি, হন্থনা য়েংবীবা তোকপা নৎত্রি, কার থৌরক্লগদা মী ওইনা উবীবগী ৱানি। শেল পায়বা লৌমীদি ইরাবতকী লৌমী মাল্লক্তে, লৌ লৈজদবশিংদুনা ইরাবতকী লৌমী ওইহৌরে। অদুমক লায়রদুনা লৈরদৌবনি। মচাশিং লৈঙাক্কী থবক চঙহনবসু ঙম্লোই। লমহাং কনবসু ঙমহৌদে, দ্রগ লল্লোনবসু হৈতে, শাগৈ চাউনবা মচা ময়াম পোকপসু নত্তে। থবক শূই শিন্থোং খঙনা শূবা হৈতবা ওইরিনি। ইনাক খুনবা মিয়ানা লংবা টুপীদি উরেম্বী উপ্পী হায়বা লৈরিবনি, ফোরেষ্টনা ফাগে ফাসনু টুপী লংবা তোকপা য়াবা নত্তে, হঞ্জিন-হঞ্জিন দ্রগ ফানরিবসিনি তোক্তেনে। লায়রবদি লাইনা নত্তে, কোক্তুননি, ইরাবত খঙলগা য়াগনি। কোয়চৎ চৎলগা শেল পায়বসু য়াওনরিবনি। মিনিষ্টরনা ফম্লগা শেল তানবা ওইনা উনরিবনি, এঞ্জিনিয়রনা থবক শূবা নত্তে খন্নরিবনি। ৱাখলসি অনী-অনী লোংবা তোক্লদ্রিবনি। লালহৌ খুদিং মায় পাক্লবদি লৈবাক মঙা-তরা থোক্লোইদরো। নাগানা ইরাবতকী তুং ইনবদি মান্দে। মী খরদি ইরাবত খঙলমদৌবা মাল্লক্তে।

অশোয়বা য়াওবদগী নাম্থুরিবনি, খঙদবদগী অরানবা তারক্লিবনি। য়াম্না মুন্না খল্লবা মতুংদদি চাবা তুমহনবসি ঈশিংতনা ওই খঙলক্কনি। লৈবাক খুন্নাই অমদা অচম্বা-অচুম্বা তৌবা মী লৈরক্ত্রবা অনাবা মীগা মান্নরবনি, লায়েংদবা য়াদ্রবনি। লাই হায়বা অমা লৈবা নত্তে, জেরুসালেমদগীনি, মাকাদগীনি হায়রগা কাইনাগী মঙ মঙবা য়াবা নত্তে। মীতোপ শারগা লমদম অসিগী মী মানবা হৌনদে। লৈবাক নীংবসিসু মখল অনী থোক্লি। লান তাশিল্লকপা মানবসু ময়াওরিবনি। লৈহৌমীশিংগীনা লাম্মী লৈতে, লৌমীনি। অদুম লায়রবা তারবনি। হিংবগী লান হৈতে হায়বনি।

শাগৈ-জাৎ হায়বসি নাপল কানফম নত্তে, শক তাক্লনবগী এদ্রেস অমনি। শিংজু শারবা লমদম অসিদদি খৎননবগী মথেল ওইররে। হৌরকফম খঙবা হায়বসি হৌখিবা ৱারী খঙবা ওইগদৌবনি। য়ানখিবা অমদগী লৈফম হোংবগী এদ্রেস হোংনরিবনি। মীং হোংবা য়াওনরিবনি। ইমা-মরী, ইপা-মরী অমনা য়াংনা লৌবা ঙম্বশিং লমদমসিগী লৈবাক নীংবা ঙম্নরোহৈ। অমনা হায়রগা পংথাদা থাজনৌ হায়বসু য়ানরক্লোই। ৱাখলদা তুং ইন্দুনতা লৈবনা লমদম অসিগী ৱাখল খনবসু ঙম্লক্লোইদৌরিবনি। লান তাশিল্লক্লগা মীতোপ্পা লৈঙাক পায়শিনখ্রবা মতমদা লৌমী খোল্লগা লৌমীগী লাম্মী নত্তনা পাম্বৈ লৈরক্ত্রবা মতমদা লৌমীগী ঈশৈ কান্নবা ফংনখ্রিবনি। মী লৈরক্ত্রবদা লৌমীনি হায়বা মী থোক্লকপা হৌনদে।

লৌমীদু নৈখায়রিবশিংগা লৌমী অশেংবশিংগা নাকপাক তানরক্লবদি লৈবাকসু অনী থোকপা তারি। মরমদম নুংশিবগা ফুরুপ নুংশিবগসু লাপথোক্লরক্লি। মশাগী এদ্রেস পীবদা মরমদম পীগদ্রা, ফুরুপ অদুতং পীগদ্রা? ৱাখলদা অনী লোংবশিংনা কদায়দগীদি পুনবা হৈরদগেদো? লমদমসি কয়াদা নুংশিরবনো, মনঙ্গলদা তোংলগা শান্নরিবশিং অসিনা নাকপাক-নাকপাক টিম অনী থোক্লগা হাৎনবা ঙম্নরিবসিনি। শান্নবা লোইরগা পূন্না চামিন-থকমিন্নবদুবু কৈদৌঙৈ উগদৌরিবনোদা। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।